# প্রসিদেন্টনা অহানবা সি এস আর এৱার্দস লান্থোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিটি (সি এস আর)গী হিরমদা মখোয়গী শিংথানিঙাই ওইবা কথোক্লকখিবশিংগীদমক ঙসি কম্পেনিশিংদা অহানবা নেসনেল কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিটি এৱার্দস লান্থোকখ্রে। ন্যু দিল্লিদা পাংথোকপা এৱার্দস লান্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মিষ্টর কোবিন্দনা কোর্পোরেট কলচরদা খুন্নাইগী য়াইফনবা য়াওহনবা মরুওই অমসুং কম্পেনিশিংনা সোসিয়েলি অমসুং ইনভারোনমেন্টেলিগী ওইনা দায়ত্ব লৌনা-লৌনা অদুমক শেন্দোং ফংবগী ওইথোক্লিঙাই লৈ হায়খি।

গান্ধীজিগী ১৫০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী চহী অসিদা নেসনেল সি এস আর এৱার্দস হৌদোকপগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফিয়ারসকী থবকশিংবু থাগৎলদুনা এৱার্দসশিং অসি চহী খুদিংগী ওক্টোবর ২দা পীগনি হায়খি।

টাটা, বিরলা অমসুং বজাজগুম্বা থোইদোক্লা মশেক মঙান লৈরবা ব্যুজিনেস ফেমিলি কয়া অমসুং ঐখোয়গী নিংতম লাঞ্জংগা মরী লৈনবা অতৈ অতৈ কয়ামরুন্না খুন্নাইগীদমক তৌফম থোকপা মখোয়গী থৌদাং ময়েক শেংনা খঙখি হায়না প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ২০১৪-১৫ মতুংদগী শেনবা চহী খুদিংগী কোর্পোরেট সেক্টরনা খুনাইগী য়াইফনবগীদমক লুপা ক্রোর ১০,০০০ হেন্না মখোয়গী শেন্দোংদগী খায়দোকখ্রে অমসুং এদুকেসন, এনভাইরোমেন্ট, হেল্‌ঠ, পোভর্টি এরাদিকেসন, সেনিটেসন অমসুং সেফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর গুম্বগী তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল সেক্টরশিংদা কান্নহনখ্রে।

মীয়াম্না হায়নবা ৱাহন্থোক লৈবা ৱাহৈ খরা পল্লদুনা প্রসিদেন্টনা লন-থুম কথোক্লকগা ঈকাইখুন্নবা ফংই, তুংশিল্লগা নৎতে হায়খি। লৈচিনশিংনা ঈশিং পীথোক্লগা হেন্না ৱাংবা ফিদা অমা ফংই, অদুগা ঈশিং তুংশিল্লিবা সমুদ্রশিংনা অনেম্বা ফিদা অমা ফঙই হায়খি।

কম্পেনিজ এক্ট ২০১৩গী মখাদা শেন্দোং লৈবা এন্টাইটিশিংগী মখল খরগী মখোয়গী চহী ৩গী চাংচৎকী শেন্দোংগী য়ামদ্রবদা চাদা ২ শেনবা চহী অমদা সি এস আরগী থবক্তা থাদবগী মথৌ তাহল্লি। এপ্রিল ১, ২০১৪দগী মসি চৎনবা হেক হৌখিবা মতুংদগী সি এস আরদা কৎলকখিবা অপূনবা অসি লুপা ক্রোর ৫০,০০০ হেনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন ফাইনান্স এন্দ কোর্পোরেট এফিয়ারসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অনুরাগ সিংহ থাকুরনা হায়খি।

# নাৱাজ সারিফ অরুবা ফিভমদা লৈরে ঃ ডোক্টর



**ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** করপসন কেস অমদা চৈরাক ফংদুনা জেলদা লৈরিবা পাকিস্তানগী অহুম্নক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্লবা লূচিংবা নৱাজ সরিফ মাইনর হার্ট এটেক অমা তৌখিবা মতুংদগী মহাক্কী ফিভম লুনা লৈরি হায়না ঙসি মহাক্কী ডোক্টরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক মেদিকেল গ্রাউন্দদা মতম কক্তবা বেল অমা ফংলবা তুংদা নোংপোক থংবা লাহোর সিটিগী হোস্পিটালদা হৌজিক লৈরি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফকী ফিভম লুনা লৈরে। মহাক শিবা-চংবগী লানফম অদু থেংনরি হায়না মহাক্কী পার্সোনেল ফিজিসিয়ান অদনান খাননা ঙসি ফোঙদোকখি।

কিদনি ফংসনশিং শোকচিল্লকখিবনা মহাক্কী হার্ট এটেক অমসুং প্লেটেলেট কাউন্ট লো ওইবদা অমুক্কা হেন্না লূশিনহনখ্রে। ব্লদ সুগর অমসুং ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল নিংথিজনা তৌহৌদবনসু ফিভম অসি হেল্লকখি হায়রি।

মশাগী চহী ৬৯ শুরবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিবু ‘লাইওন ওফ পঞ্জাব’ হায়না মীয়াম্না খঙনৈ অমসুং মহাক্কী ব্লদ প্লেটেলেট কাউন্ট খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা চাংদা হন্থরকখিবদগী হৌখিবা চয়োলদা হোস্পিটালদা পুরকখি।

সুপ্রিম কোর্টনা নৱাজ সরিফপু ২০১৭দা শেঞ্জা-থুমজাগী মরানগী মতাংদগী পোলিটিক্সতা মপূন্সি চুপ্পগী অথিংবা থমখি। মদুগী মতুংদা কোন্না মহাক চহী ৭কী জেলগী চৈরাক অমা ফংখি।

মহাক্কী মথক্তা শীরিবা করপশিংগী মরানশিং অদু মহাক্না য়াখিদে অমসুং লৈবাকসিগী শক্তি লৈরবা সেক্যুরিটি ইষ্টাব্লিসমেন্টনা মহাকপু নমথনবা হোৎনরকপনি হায়খি।

সারিফকী অকনবা য়েক্লবা ইমরান খাননা ২০১৮দা পাকিষ্টানগী লৈঙাক্কী শক্তি পায়রকখি অমসুং হায়-প্রোফাইল ওইবা অদুবু য়ান্না চয়েৎনবা এন্টি - করপসন দ্রাইব অমা চংখি।

# মহারাষ্ট্রদা শক্তিগী মুক্নরি, সেনানা বি জে পিগা উন্নসি য়াখিদ্রে, ফদনাবিজনা সিটি তঙ্খাই য়েন্নবা য়াখিদ্রে

**মুম্বাই, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** মহারাষ্ট্রদা গভর্ণমেন্ট শেম্বদা ৫০-৫০ হায়বদি তঙ্খাই-তঙ্খাই পায়মীন্নবগী শিব সেনাগী দিমান্দ অদু বি জে পিনা য়াখিদ্রে। অদুগুম্বা য়ানবা অমতা তৌখিবা লৈতে হায়না চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিজনা ফোঙদোকখ্রে।



মরকসিদা শিব সেনাগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা লূচিংবা উদধব থাকরেনা মহারাষ্ট্রগী মথঙগী গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগী মতাংদা মহাক্কী পার্টিনা বি জে পিগা উন্নগদবা অদু ককথৎখ্রে।

গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী খন্ননবগী মীফম অদুদা বি জে পিগী নাকন্দগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকর অমসুং পার্টি দিলর ভুপেন্দ্র যাদব শরুক য়াগদবনি অমসুং শিব সেনাগী নাকন্দগী মখোয়গী সেনিয়ার লিদরশিং ওইরিবা শুভাস দেসাইা অমসুং সঞ্জয় রাউতানা মহুৎ শিনগনি।

এলাসয়েন্স গভর্ণমেন্ট অদু শেম্নবগী ক্লেম তৌনবগী ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মমাঙ শক্তি চপ মান্ননা পায়মিন্ননবগী ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না বি জে পিদগী থাজবা পীবা অইবা অমা সেনানা দিমান্দ তৌখিবনি।

সিটি ২৮৮ লৈবা হাউস অসিদা বি জে পিনা সিটি ১০৫ অমসুং শিব সেনানা ৫৬ ফংখি। এন সি পিনা ৫৪ অমসুং কোংগ্রেসনা ৪৪ ফংখি।

# লৈঙাক্কী মায়োক্তা হৌরকপা ইরাংদা ইরাকতা ১৭ শিখ্রে



**হিল্লা, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** ইরাকগী হোলি সিটি করবলাদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা হৌরকপা প্রোটেষ্টরশিংগী মথক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা ঙরাং নুমিদাং য়ামদ্রবা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং ৮৬৫ শোকখ্রে হায়না মেদিকেল অমসুং সেক্যুরিটি লিখুলশিংনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে।

খা থংবা সিটি নাসিরিয়াদা ঙল্লিঙৈগী প্রোটেষ্টশিংদা শোকপদগী প্রোটেষ্টর ৩সু শিখি।

প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অবদুল মাহদিগী লৈঙাক অমসুং মখোয়না করপ ওইবনি হায়রিবা পোলিটিকেল ইলাই অমগী মায়োক্তা চখবা প্রোটেষ্টকী অনীশুবা খোঙজংদা ঙরাং নিংথৌকাবা ৪শুবা নুমিৎতা ইরাককী মীয়াম্না লম্বী-শরকশিংদা থোক্লরকখি।

ওক্টোবর ১দগী লৈঙাক্কী মথক্তা হৌরকপা ঈরাং অসিদা হৌজিক ফাওবদা পূন্না য়ামদ্রবদা মীওই ২৫০ শিখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱার্নিং থৌওইদনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা বাঘদাদতা প্রোটেষ্ট তৌরিবা মীওই লিশিং কয়াদা য়াওশিনখিবা স্কুল অমসুং য়ুনিভর্সিটি মহৈরোইশিংদা ঙরাং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টিয়ার গ্যাস কাপখি। লান্মীশিং অদুনা হায়স্কুল মহৈরোইশিং ফুখি।

থৌদোক অদুবু দিফেন্স মিনিষ্ট্রি ষ্টেটমেন্ট অমদা কন্দেম তৌখি অমসুং লান্মীশিং অদু ইরাককী আর্মি অমগী মহুৎ পুরা শিনবা নৎতে হায়খি। অদুম ওইনমক মখোয়বু চৈরাক পীগনিদি হায়খিদে।

লৈবাকসিগী কোনুং বাঘদাদতা কার্ফ্যু অমা লাওথোক্লকখিবগী মতুং পার্লিয়ামেন্টতা খ্বাইদগী চাওবা ব্লোক শৌগৎলিবা অমসুং অবদুল মহাদিগী মচেৎ-মকাইগী কোলিসন গভর্ণমেন্টপু লৈঙাক্কী শক্তি পায়বা ঙমহল্লকখিবা মীয়াম্না য়ানরবা সিয়া ক্লেরিক মোক্তদা অল-সদরনা মীখল ঙন্না পাংথোক্লবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা আপিল তৌখিবনি।

# লৈঙাক্লা জম্মু, কাশ্মিরগী ফিভম লোৎশিন্নবা হোৎনৈ ঃ মেহবুবা মুফতি



**জম্মু, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু মাঙজৌননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাক্সিন্দুনা থম্লবা তুংদা আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা পীরম্বা স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা অমসুং মখা তানা হৌজিক ফাওবা সেক্যুরিটিগী অথিংবশিং থম্লিবা, মীওইবগী হকশিং খোঙ্গাওনরিবা ময়ামশিংবু লোৎশিন্নবা সেন্টরনা হোৎনৈ হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)গী লূচিংবী মেহবুবা মুফতিনা হায়খ্রে।

কাশ্মিরগী ফিভম খঙনবা য়েংবা লাকখিবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী লো মেকর ২৭কী কাংলূপ অমবু নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিদ দোভালনা শিনখিবা চাক্লেনদা ঙরাং মেহবুবা মুফতিনা য়াওখিদে।

আগষ্ট ৫দা ষ্টেট অসিগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা মতুংদগী মেহবুবা মুফতি য়াওনা ষ্টেট অসিগী লূচিংবশিং অমসুং এক্টিভিষ্ট কয়ামরুম ফাদুনা থম্লক্লি।

# ই য়ুবু চঙবা য়াহল্লবনা ঐবুসু য়াহনগদবনি হায়না পি এমদা সি পি আইনা তকখৎখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** মেহবুবা মুফতি, ময়াবতি, প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রা, রাহুল গান্ধী, সিতারাম য়েচুরি অমসুং অসাদউদ্দিন ওৱাইসি য়াওনা ওপোজিসন লূচিংবা কয়ামরুন্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন দিলিগেসন খক্তমকপু চংবা য়াহনবগীদমক গভর্ণমেন্টপু চৈনরকখিবশিংগী মরক্তা সি পি আই লূচিংবা বিনোই বিস্বমনা ফোরেন দিলিগেসন অমদা রেদ কার্পেট থাদুনা চংবা য়াহল্লবনা ঐবুসু চঙবা য়াহনগদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তকখৎতুনা চিঠি অমা ইখ্রে।

পার্লিয়ামেন্ট মেম্বরশিং য়াওনা দায়ত্ব লৈবা ইন্দিয়ান সিটিজনশিং অমত্তবু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মনুংদা চঙবদা গভর্ণমেন্টনা করিগী থিংলিবনো



হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী ৱাহংনি।

হৌজিক গভর্ণমেন্টনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী এম পিশিংনা মফম অদুদা চঙবা য়াহনখ্রে। মরম অদুনা ঐহাক্না কাশ্মিরদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা অচম্বা মীয়ামগা উন্ননবা নঙোন্দগী অয়াবা পীনবা তক্সিল্লি হায়না চিঠি অদুদা মিষ্টর বিস্বমনা হায়খি।

# এপোলো হোস্পিটালগা থংনবা গোদাউন মৈ চাকখ্রে, অনাবা ৪৮ মফম হোংদোক্লকখ্রে

**ইন্দোর, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর সিটিদা এপোলো হোস্পিটালগা হেক থংনবদা লৈবা টয়ার গোদাউন অমদা চাওনা মৈ চাকপা থৌদোক অমদা মেদিকেল ফেসিলিটি অদু অথাবা মৈখুনা য়োমশিল্লকখিবগা অনাবশিংনা মীপাইবা পোকহনখ্রে হয়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা শিবগী থৌদোক থোকখিদে। মৈ চাকপা অদু রবরর টয়ারশিং থম্লিবা থোঙ লোনশিনবা গোদাউন অদুগী মনুংদা ঙরাং নিংথৌকাবগী নুমিদাং পূং ১১ রোম তাবদা থোকখিবনি।

মদুদগী কারকপা অথাবা মৈখুনা থুনমক প্রাইভেট এপোলো হোস্পিটালগী ৪শুবা অমসুং ৫শুবা ফ্লোরশিং মৈখুনা য়োমশিনখি।



ফিভম অদুদগী ফ্লোর ২দুদগী অনাবা ৪৫রোম অতোপ্পা ৱার্দশিংনা মফম হোংদোক্লকখ্রে।

অনাবশিং অদুগী মনুংদগী অহুমদি সিটি অসিদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা পুরগা থমখ্রে। পূং ৪রোম চংনা কন্না হোৎনরবা তুংদা ফয়ার ব্রিগেদ পার্সোন্নেলনা মৈ চাকপা অদু মুখৎনবা হোৎনখি। মৈ চাকপা অদু করিনা থোকখিবনো হায়বদু লেপ্পবা থিজিনবগী থবক অদু চথখ্রে হায়না পুলিস ওফিসেল অমনা হায়খি।

# মলটি-মিল্লিয়ন দোল্লর য়ুমশিং তুমখ্রে

**লোস এঞ্জেলিস, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** লোস এঞ্জেলিসতা য়ান্না থুনা চাকশিল্লকখিবা লাম্মৈ চাকপা অমদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিটি অসিগী খ্বাইদগী ইনাক-কৈরাক খুনবা মফমশিংগী মনুংদগী অমদা য়ামদ্রবদা মলটি-মিল্লিয়ন দোল্লর য়ুম ৫ তুমখ্রে অমসুং অহীংনোংয়াইদা এ-লিষ্ট হোল্লিৱুদ এক্টরশিং, ইনাকখুল্লবা প্রোদ্যুসরশিং অমসুং মেদিয়া কম্পেনি একজিক্যুটিবশিং লাঞ্জেন্নখ্রে।

সিটি অসিগী নোংচুপ থংবা নাকন্দা লৈবা সেক্সন ব্রেন্টৱুদকী অৱাং থংবা মচিনদা লৈবা মলটি - মিল্লিয়ন দোল্লর য়ুম কয়াগী গ্রূপ অমা অতেক-অকাই ওনখ্রে। মৈনা চাকপা অসিগী মরমদগী মফম কয়াদা লৈবা পব্লিক স্কুলশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোনিয়া লোস এঞ্জেলিস থোঙ লোনখ্রে।

# উঁহৈ-বোম্বুলা লংশিন্নবদা ৪০ শোকখ্রে

**ইন্দোর, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর দিষ্ট্রিক্টতা হিংগোট ফেষ্টিভেল হায়না কৌবা উঁহৈ-বোম্বুলাশিং লংশিন্নবগী চৎনবী থৌরম অমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০ শোকখ্রে হায়না ঙসি পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহৌশানা দিৱালিগী নোংমগী মতুংদা পাংথোকপা থৌরম অদুদা নক্লবা খুঙ্গং অনীদগী মীওইশিংনা অমনা অমদা হায়রিবা হিংগোটশিং অদু লংশিন্নে। হিংগোট হায়রিবসি মফমদুগী উমংগী উঁহৈ মখল অমনি। মদুগী মনুংগী মশীন অমসুং মতোঙ লৌথোক্লগা কোইলা অমসুং কান্ট্রুকনা চিংবা হাপচিল্লগা বোম্বুলা ওইনা শাবনি।

মখোয়না অদুগুম্বা মখলগী উঁহৈগী বোম্বুলাশিং অদু শারগা গৌতমপুর অমসুং রুঙ্গী খুঙ্গংশিংগী গ্রূপশিংনা রোকেট অমা মান্না থৌরি অমনা পূনিশনবা উঁহৈ অদুগী মখোক অদু মৈ চুরগা লংশিন্নরগা পোকখায়হল্লি।

মদু মফমদুগী মীয়াম্না হিঙ্গোট ৱার হায়না খঙনবা অমগী শরুক অমনি।

দেপালপুর তহসিলগী মনুং চনবা গৌতমপুরদা চৎনবী ওইনা দিৱালিগী নোংমগী মতুংদা খূঙ্গং অনীগী খূঞ্জা কাংবু নাকপা-নাকপানা হিঙ্গোটশিং থাদুনা হিঙ্গোট ৱারদা শরুক য়াই।

ঙরাংগী থৌরম অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০শোকখি। মখোয়গী মনুংদগী ১৯দি মফমদুদা ফার্ষ্ট এইদ পীখি। থৌরম অদু ফৎতবা থৌদোক থোকপা থিংনবা পুলিস অমসুং হেল্‌ঠ ওফিসারশিংনা শঙদুনা লৈখি।

অতোপ্পা অশোকপশিং অদু মেদিকেল কেম্পতা চৎখিদে অমসুং মখো মশানা ময়ুমদা হন্নখি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘ই য়ু লোমেকরশিং চঙহন্দ্রিঙৈদা ইন্দিয়ান এম পিশিং কাশ্মিরদা চঙহল্লবদি ফরমগদবনি’



**লক্নৌ, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা য়ুরোপিয়ান পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিং চঙবা য়াহনবগীদমক মোদি গভর্ণমেন্টপু ঙসি বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) চীফ ময়াবতিনা চৈখ্রে।

মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা ইন্দিয়ান এম পিশিংবু তম্পাক অদুদা হান্না চঙবা য়াহল্লম্লবদি ফরমগদবনি।

আর্টিকেল ৩৭০ মুখৎখিবা অদুগী মখা তারকপদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন (ই য়ু)গী এম পিশিং চঙহনবগী মহুৎতা গভর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী এম পিশিং, মরুওইনা ওপোজিসনদগী থারম্লবদি হেন্না ফগদবনি হায়না ময়াবতিনা ত্বিইটরদা ইখি।

ষ্টেট অসিগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস ককথৎখ্রবগী মতুংদা লমদম অদুদা ফোরেন দিলিগেসন অমা থাবা অসি মসিনা অহানবনি।

# য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী এম পিশিং থুংলখিবগা কাশ্মিরদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে, মফম পূন্নমক থোঙ লোনখ্রে

**শ্রীনগর, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রীনগর সিটি অমসুং কাশ্মির তম্পাক্কী মফম কয়ামরুমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মীয়ামগগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লিঙৈ অমসুং মফম পূন্নমক থোঙ লোনশিনখিবদা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ওইরিবা ফিভম খঙনবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অমদা লাকখিবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী এম পি ২৩গী খূৎপু অমা শ্রীনগরদা থুংলখ্রে।

বুলেট-প্রুফ জিপশিংদা তোংদুনা এয়ারপোর্টতগী লাক্লিবা ফোরেন এম পি শিং অদুবু সেক্যুরিটি গাড়ীশিংগী কনভোয় অমনা ঙাক-শেল্লগা মখোয়গী লৈফম হোটেলদা থুংলখি। মফম অদুদা কাশ্মিরগী নাৎকী তরান্না ওকপগী চৎনবী অদুনা মখোয়বু



ওক্লনবা ঙাইরমখি।

সেনিয়ার সেক্যুরিটি ওফিসিয়েলশিংনা তম্পাক অসিগী অমসুং ষ্টেট অসিগী মফমশিংগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা মখোয়দা পাউদমখি অমসুং মীয়ামগী দিলিগেসনশিংনসু উন্নহনখি।

কাশ্মিরদা লাক্লিবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন মেম্বরশিং অদু য়ুনাইটেদ কিংদম, ফ্রান্স, জর্মনি, ইটালি, পোলেন্দ, জেক রিপব্লিক অমসুং স্লোভাকিয়াদগীনি।

কাশ্মির তম্পাক অমসুং শ্রীনগরগী মফম কয়ামুক্তা প্রোটেষ্টরশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা থোককখিবা খূৎ থোক্লবা কয়ামরুমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শোকখ্রে অমসুং সিটি অদু হৌজিক চপ চানা থোঙ লোন্দুনা লৈখ্রে।

দাউন-টাউন শ্রীনগর অমসুং ৯০ ফিট রোম য়াওনা য়ামদ্রবদা শ্রীনগরগী মফম ৫দা মীয়াম্না লম্বী থিংখি। খূৎ থোক্লবশিংগী মরমদগী লল্লোনইতিক থোঙ লোনখ্রে অমসুং লম্বীদা গাড়ী চৎখিদ্রে। অদুম ওইনমক ক্লাস টেনগী বোর্দ একজামিনেসনশিংদি মখোয়গী মচাশিংগীদমক একজাম হোলশিংগী মপান্দা মমা -মপাশিংনা ৱানা ঙাইরগা মতম চানা অদুমক পাংথোকখ্রে।

# ইন্দিয়ান লূচিংবশিং চঙহন্দনা ই য়ুগী এম পিশিং কাশ্মিরদা চঙহনবা সেন্টরবু চৈখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** লৈবাক্কী পোলিটিসিয়ানশিংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা চৎতুনা মফম অদুগী ফিভম খঙলুদবগী খুদোঙচাবা পীদ্রগা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী এম পি কাংবু অমদা মফম অদুদা চৎপা য়াহল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিবু মরান শীরিবা ওপোজিসনদা ঙসি কোংগ্রেসকী প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রাসু য়াওখ্রে।

বি জে পি লৈঙাক্কী থৌওং অদুবু কোংগ্রেসকী লূচিংবা অসিনা য়ুনিক নেসনেলিজমনি হায়খ্রে।

য়ুরোপিয়ান এম পিশিংবু কাশ্মিরদা চঙদুনা কোয়না চৎহনবা অমসুং খূৎ থিংজিনবগী অয়াবা পীখি, অদুবু ইন্দিয়াগী এম পিশিং অমসুং লূচিংবশিংবুদি ইয়ারপোর্টতা মখোয়না লেন্দিং হেক তৌবগা থুনমক মফমদুদগী ইন্থোক্লকখি হায়না কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি নুপী অসিনা হিন্দিদা ত্বিইট তৌখি।



য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী এম পিশিং খক্তমক ষ্টেট অদুদা চঙবগী অয়াবা করম্না পীখিবনো হায়না ওপোজিসননা ৱাহং হংখ্রবনি।

অগষ্ট ২৫দা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ওইরিবা অশেংবা ফিভম খঙনবা মফম অদুদা চৎনবগী রাহুল গান্ধীনা লূচিংবা ওপোজিসন এম পিশিংগী দিলিগেসন অমগী খোঙচৎ লাওথোকখি অদুবু দিলিগেসন অদুবু শ্রীনগর এয়ারপোর্টতগী অমুক হন্না হলহল্লকখি।

# মমা-মপাশিংনা টিভিদা সুজিথ ৱিলসন রেস্ক্যু ওপরেসন য়েংলিঙৈদা অঙাং অমা ঈশিং-খুদেঙদা ঈরাক্লদুনা শিখ্রে

**টুটিকোরিন, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সি)ঃ** টামিল নাদুগী খুঙ্গং অমদা মহাক্কী য়ুম মনাক্তা শান্নবদা বোরৱেল অমগী মনুংদা তাখ্রবা চহী ২খক্তগী ঙাইরিবী নুপা মচা সুজিথ ৱিলসন কন্নবা হোৎনবগী রেস্ক্যু ওপরেসন অদু টিভিদা মমা-মপাশিংগা য়েংলিঙৈদা মখোয়গী চহী ১তা ঙাইরিবী মচানুপী অমা য়ুমগী ঈশিং খুদোঙ অমদা ঈরক্তদুনা শিখ্রে হায়না টামিলনাদু পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থ্রেসপুরম খুঙ্গংদা, রেবতি সঞ্জনা কৌবী নুপীমচা অদুনা ঙরাং নুমিদাং ঈশিং হাপ্পা তপ অদুগী মনুদা শান্নখি। মতম অদুদা মহাক্কী মমা-মপাশিংনা



অচপ্পা অরুবা বোরৱেল মনুংদা তাশিনখ্রবা সুজিথ ৱিলসন লৌথোক্লবা রেক্যুয়রশিংনা হোৎনরিবা অদু মমীৎ কুপ্তনা টিভিদা য়েংদুনা লৈখি।

মখোয়না খুদক্তা মচানুপী অদু মনাক্তা লৈরমদবদু খঙখি অমসুং মহাকপু থিনবা চৎখি অদুবু মহাক ঈশিং হাপ্পা পাত্র অদুগী মনুংদা মশা অদু করিমতা লেঙদনা লৈরম্বা থেঙনখ্রে। মখোয়না অঙাং অদু হোস্পিটালদা পুখি অদুবু ডোক্টরশিংনা মহাক শিরে হায়না লাওথোক্লখি।

টামিল নাদুগী খুঙ্গং অমদা বোরৱেল মনুংদা তাখ্রবা সুজিথ ৱিলসনবু রেক্যুয়রশিংনা করিমতা কান্নদনা পূং ৮০ চুপ্পা হোৎনরকখ্রবগী তুংদা ঙসি লৈবাকপোকপগী অঙনবদা মহাক্কী পুমথরবা অমসুং সুপচিল্লবা হকচাং অদু শিজিন্নদ্রবা অরুবা বোরৱেল অদুগী মনুংদগী চিংথোকখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-285**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 6 | | | 5 | 7 | |
| 6 | | | 5 | | | | 8 | 9 |
| 1 | 5 | 8 | | | 7 | | | |
| | 1 | 4 | | | 2 | 7 | | |
| | | 7 | 9 | 6 | | | | 8 |
| | 6 | | 7 | 8 | | | | 1 |
| 5 | | | | | | 8 | 6 | |
| 7 | | | | | 6 | | | 5 |
| | 8 | | | 7 | | 9 | | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**

Booking : 04/10/19
Sl. No. : 4950
Valid : 04/10/19
Sl. No. : 4631
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Haran Velley, Kwakta**

Booking : 12/09/19
Valid : 09/09/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

## সনা-সুদোকু – ২৮৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 4 | 5 | 6 | 8 | 1 | 3 | 9 |
| 8 | 3 | 6 | 2 | 1 | 9 | 4 | 7 | 5 |
| 9 | 1 | 5 | 3 | 4 | 7 | 2 | 8 | 6 |
| 7 | 6 | 2 | 1 | 5 | 3 | 8 | 9 | 4 |
| 4 | 9 | 1 | 8 | 7 | 6 | 5 | 2 | 3 |
| 3 | 5 | 8 | 9 | 2 | 4 | 6 | 1 | 7 |
| 5 | 8 | 7 | 4 | 3 | 2 | 9 | 6 | 1 |
| 6 | 4 | 9 | 7 | 8 | 1 | 3 | 5 | 2 |
| 1 | 2 | 3 | 6 | 9 | 5 | 7 | 4 | 8 |